
# লুসিক-বারোনি, কারোলিনা প্লিস্কোভানা মিয়ামি ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

মিয়ামি, মার্চ ২৬ : মঙাশুবা সীদ অগনিজকা রাদৱানস্কানা কুমজা ২০১২ দা মহাক্কী মায় পাকখিবা অদু অমুক হল্লক্লবা হোৎনখ্রবসু মফম অসিদা চথুরিবা মিয়ামি ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ক্রোসিয়াগী ভেটেরান মিরজানা লুসিক-বারোনিগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা মহাক্কী কেম্প্যেন লোইশিনখি।

অমরোমদা, অনীশুবা সীদ কারোলিনা প্লিস্কোভানা কাজাখষ্টানগী য়ুলিয়া পুটিন্টসেভাবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট সিক্সটিনদা খুমাঙ চাউশিনখি অমদি স্লোভাক্কী দোমিনিকা সিবুলকোভানা বেলজিয়মগী কির্ষ্টেন ফ্লিপকেন্সপু সেট অনীদা মায়থীবা পীখিদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখি।

লুসিক-বারোনিনা ইথা থাজদনা মশাগী চহী ৩৫ শুবদা মহাক্কী লাইবক্তা তল্লকখিবা মায় পাকপা অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। মহাক্না কুমজা ১৯৯৯ গী ৱিমব্লেদনগী লাষ্ট ফোর ফাওবা চঙবা ঙমখিবা চহী ১৮ গী মতুং চহী অসিগী জান্যুৱারীদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। ক্রোসিয়ন অসি হৌজিক ৱর্ল্ডগী ২৯শুবা রেঙ্কতা লৈরিবনি। মহাক্না মহাক্কী পোলিশ ওপোনেন্ট রাদৱানস্কাবু ৬-০, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

রাদৱানস্কানা হায়খি, মহাক্না ইথা থাজদনা নিংথিনা শান্নখি। মহাক্না মেচ হেক হৌবদগী অকনবা মওংদা তকশিন্দুনা শান্নরকখি অমদি থাজদবা মওংদা অকনবা স্পীদতা বোলশিং য়ৈখি। অদুবু ঐনা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কারাকাসতা পোকখিবা মুগুরুজানা চিনাগী ঝাং শুয়াইবু ৪-৬, ৬-২, ৬-২ দা পুং অনী চঙনা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীখি।

পনবা য়াই, মমাঙ চয়োলগী ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী ৱিন্নর রসিয়াগী ইলেনা ভেসনিনানা দব্লিয়ু টি এ মিয়ামি ওপনগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ক্রোসিয়াগী ক্বালিফাইয়র অজলা টোমলজানোভিক্কী মখুৎতা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী লৈহৌখিবনি।

অমরোমদা টোপ সীদ জর্মনগী এঞ্জেলিগ কার্বরনা চিনাগী দুঅন য়িং-য়িংবু ৭-৬৯৭/৩), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

তরাহুমদোইশুবা সীদদে ভেসনিনানা অকনবা লন্বা তৌদুনা শান্নখ্রবসু ৫৯৪ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা টোমলজানোভিক্কী মখুৎতা ৩-৬, ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীহৌখি।

অতোপ্পা মেচতা লোকেল ফেভোরাইট ভেনস ৱিল্লিয়মসনা খুদোংথীবা খরা মায়োক্লখ্রবসু ব্রাজিলিয়ন ৱাইল্ড কার্দ বিট্রিজ হাদ্দাদ মাইয়াবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

অমেরিকান ক্বালিফাইয়র টেলর টাউনসেন্দনা ইটালিগী ২৫শুবা সীদ রোবার্টা ভিন্সিবু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি। কুমজা ২০১৫ গী য়ু এস ওপনগী রন্নরস-অপপু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবা মশাগী চহী ২০ শুরবী লেফট হেন্দর অসিনা মহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপসু ওইখি। মহাক্না মথংগী মেচতা তরেৎশুবা সীদ রসিয়াগী সভেটলানা কুজনেটসোভাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। কুজনেটসোভানা লক্সমবার্গকী মেন্দি মিনেল্লাবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখিবনি।

# ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা আই সি সি ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ওপনিং মেচতা শান্নগনি

## *ইন্দিয়া-ইংলেন্দ মেচকী টিকেটশিং য়োনবা লোইখ্রে*



লন্দন, মার্চ ২৬ :

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা লাক্লিবা জুন ২৪ দগী চথবা হৌগদৌরিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ওপনিং মেচতা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ইংলেন্দগা দর্বি গ্রাউন্দদা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি অদুগা ব্রিষ্টলদা চথগদবা অতোপ্পা মেচ অমদা ন্যু জিলেন্দ অমদি ক্বালিফাইয়র শ্রী লঙ্কা অনীনা লম্বানরগনি হায়না আই সি সিনা ফোঙদোকখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী মনুং চন্না জুলাই ২ দা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরিবা মেচ থারগা ইন্দিয়ানা দর্বি গ্রাউন্দদা অপুনবা মেচ মরি শান্নগনি। অদুগা ইন্দিয়ানা টাউন্টনদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা, ব্রিষ্টলদা ওষ্ট্রেলিয়াগা অমদি লৈচেষ্টরদা সাউথ অফ্রিকাগসু শান্নগনি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা জুন ২৬ তা টাউন্টনদা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্নদুনা মখোয়গী টাইটল দিফেন্স তৌনবগী কেম্প্যেন হৌগনি হায়না আই সি সিগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

লোর্দতা জুলাই ২৩ নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল মেচ য়াওনা নুমিৎ ২১ নি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্ণামেন্ট অসিদা অপুনবা মেচ ২৮ শান্নগনি। টুর্ণামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল মেচনা জুলাই ১৮ দা ব্রিষ্টল অমদি জুলাই ২০ দা দর্বিদা পাঙথোক্কনি।

টুর্ণামেন্ট অসিবু য়ুম্বু ওইরিবা ইংলেন্দনা তরুক্লক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগা ব্রিষ্টলদা জুলাই ৯ অমদি জুলাই ১২ দা দর্বি গ্রাউন্দদা ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। কুমজা ২০১৩ গী এদিসনগী রন্নরস-অপ তাখিবা ৱেষ্ট ইন্দিজনা টাউন্টনদা মেচ অহুম শান্নগনি। পাকিস্থাননা লৈচেষ্টরদা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওইদুনা অপুনবা মেচ তরেৎ শান্নগদবগী মনুংদা মফম অসিদা মেচ মঙা শান্নগনি। মেচশিং অসিগী মনুংদা জুন ২৭ তা ইংলেন্দগা অমদি জুলাই ৫ দা ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌদুনা চাংদম্নগনি।

অমরোমদা, লাক্লিবা আই সি সি ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপকী লোর্দতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল মেচ য়াওনা মেচ খরগী চাউরাক্না টিকেট ১০,০০০০ য়োনখিবগা লোয়ননা য়ুম্বু ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া অনীনা দর্বি গ্রাউন্দদা শান্নগদবা ওপনিং মেচকী অয়াম্বা টিকেটশিংসু য়োনখ্রে।

মেদিয়াদা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, মার্চ ৮ দগী টিকেট য়োনবা হৌখিবা অদুদগী হৌরগা চয়োল অমগী মনুংদা মেচ ৩১ গী টিকেট চাউরাক্না ৩,০০০ য়োনখি। হৌজিক ফাওবদা লোর্দতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইনেল মেচ য়াওনা মেচ খরগী টিকেট ১০,০০০ য়োনখ্রে। ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া অনীনা শান্নগদবা ওপনিং মেচকীসু টিকেটশিং য়োনবা লোইখ্রে হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়ানা টি-২০ ট্রাই সেরিজগীদমক শ্রী লঙ্কাদা টুর তৌগনি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৬ : ইন্দিয়ানা লাক্লিবা কুমজা ২০১৮ গী মার্চ থাদা বাংলাদেশ য়াওগদবা ট্রাই-নেসন টি-২০ ইন্টরনেসনল টুর্ণামেন্ট-কীদমক শ্রী লঙ্কাদা টুর তৌগনি।

শ্রী লঙ্কানা মথংগী চহীদা ইন্দিয়াদা লাক্কুনা টেষ্ট মেচ অহুম, ও দি আই মেচ মঙা অমসুং টি-২০ ইন্টরনেসনল মেচ অনী শান্নরগনি অদুবু ও দি আই মেচ খরদি টি-২০ দা ওন্থোক্লবা য়ারি। মসিনা শ্রী লঙ্কা ক্রিকেট অমদি বাংলাদেশ অনীনা শেল-থুমগী ওইবা খুদোংচাবা ফংবদা মতেং ওইগনি।

শ্রী লঙ্কানা আই সি সিদা মতম পুন্না মক্তা ইন্দিয়াগা চৎমিন্নরি অমদি হৌজিক বাংলাদেশসু ইন্দিয়াগা চৎমিন্নবা পান্বদু তশেং তশেংলে। বাংলাদেশনা ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা আই সি সি বোর্দকী মীফমদা বি সি সি আইগী মায়োক্তা ভোট পীখিবনি অদুবু হৌজিক্তি মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুল্লবা ক্রিকেটিং বোর্দ অসিদা মায় ওনশিল্লক্লে।

আই সি সিনা বাংলাদেশকী ফুল মেম্বরশিপ ষ্টেটসপু ৱিভিয়ু তৌনবগীদমক খঙহনখিবদগী লৈবাক অসিনা মতম শাংনা চঙশিল্লকখিবা মখোয়গী আশা অদুদা শোকহনগনি হায়দুনা মথ্বাই নুংঙাইতনা লৈরিবনি।

বাংলাদেশকী হিষ্টোরিক ওইরবা টেষ্ট মেচ ১০০ শুবগী কলম্বোদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা টোপ বোদ; ওফিসলশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখিবা অদুদা বি সি সি আইগী সি ঈ ও রাহুল জোহরিনা বাংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দ (বি সি বি) গী সুপরমো নাজমুল হাসন পাপোন অমদি এস এল সিগী চীফ থিলাঙ্গা সুমাথিপালাগা ৱারী শানদুনা খন্ন-নৈনখি হায়না থাজনরি।

এস এল সিগী প্রসিদেন্ট থিলাঙ্গা সুমাথিপালানা হায়খি, শ্রী লঙ্কা ক্রিকেটকী টেক্নিকেল কম্মিটি অমদি ক্রিকেট কম্মিটিনা মসিগী মরমদা য়েংশিল্লে অদুবু মদু ঐখোয়না টি-২০ ট্রাইঙ্গুলরদা ওইনা ওন্থোকপা পামখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মসিগী আপিল অসি ঐখোয়না ইন্দিয়াদা মমাঙ চহীগী জুন নৎত্রগা মেদা তৌখি। ইন্দিয়ানা মফম অসিদা চথখিবা এসিয়ন ক্রিকেট কাউন্সিলগী ওপনিং সেরেমোনি চথরিঙৈ মনুংদা ঐখোয়না মসিগী মতাংদা খন্নখি - মসি থা তরেৎ-নিপান হৌজিনখ্রে। ঐখোয়না লেপ্লিবা খোঙফম অসি তশেং-তশেংলে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# চেটেশ্বর পুজারানা গৌতম গম্বিরগী চহী নিপান চূপ্পা থম্লম্বা রেকোর্দ থুগায়খ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৬ :

ষ্টার ইন্দিয়ন মিদ্দল-ওর্দর বেটসমেন চেটেশ্বর পুজারানা মহাক্কী হান্ননা মায় পাক্কুনা লৈরিবা অসিগী মথক্তা অতোপ্পা মায় পাকপা অমগা হাপচিনখিদুনা শিংথানরবা বেটসমেন অমা ওইবা ঙমখ্রে। পুজারানা সিজন অমদা রন মশিং য়াম্না লৌবা ঙমখিদুনা ওপনর গৌতম গম্বিরগী রেকোর্দ অদু থুগায়খি।

গম্বিরনা শিংথানিঙাই ওইনা কুমজা ২০০৮/০৯ গী সিজনদা অপুনবা রন ১২৬৯ লৌখি অদুবু পুজারানা মদুগী মার্ক অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা চথুরিবা বোর্দর গভাস্কর ট্রোফিদা শিংথানিঙাই ওইনা লান্থোকখি। পুজারানা ধর্মসালাদা গম্বিরগী রেকোর্দ অদু লান্থোক্লবা রন মরি লৌবা মথৌ



তাখি অমদি সৌরাষ্ট্রাগী ষ্টার অসিনা বাউন্দরি অমা কনখিদুনা মার্ক অদু য়ৌখি অমদি অনৌবা মাইলষ্টোন অমসু থম্বা ঙমখি।

পুজারানা মহাক্কী ১৫শুবা হাফ সেঞ্চুরি লৌখিদুনা ইন্দিয়াবু অফবা পোজিসনদা থমখি অমদি মহাকপু রন ৫৭ তা নথান লয়োননা ৱিকেট ওইনা লৌথোকখি। পুজারানা সিজন অসিদা মতিং থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা ন্যু জিলেন্দ, ইংলেন্দ অমদি হৌজিক হোমদা শান্নরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা য়াম্লবা রনশিং লৌখি।

কিৱিসকী মায়োক্তা পুজারানা মেচ অহুমগী সেরিজদা রন ৩৭৩ স্কোর তৌখি। মদুদা সেঞ্চুরি অমা অমদি হাফ সেঞ্চুরি অহুম য়াওরি। ইংলেন্দগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচ মঙাগী সেরিজদা পুজারানা অপুনবা রন ৪০১ লৌখি। মদুদা সেঞ্চুরি অনী অমদি ফিফটি অমা য়াওরি। পুজারানা হায়দ্রবাদতা বাংলাদেশকী মায়োক্তা শান্নখিবা টেষ্ট মেচ অদুগী ইন্নিংস অনীমক্তা হাফ সেঞ্চুরিশিং লৌখিদুনা ইন্দিয়ানা মেচ অদু রন ২০৮ দা মায় পাকখিবা অদুদা চাউনা মতেং পাংখি।

হৌজিক চথুরিবা সেরিজ অসিদা মশাগী চহী ২৯শুরবা অসিনা বেঙ্গলুরু টেষ্টতা মায় পাকখিবা অদুগী অনীশুবা ইন্নিংসতা হাফ সেঞ্চুরি লৌখি অদুগা রাঞ্চিদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা টেষ্টতা পুজারানা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা অহুমশুবা দবল সেঞ্চুরি লৌখিদুনা ইন্দিয়ানা মেচ দ্রো চৎখিবদা মতেং পাংখি।

# সন্তোশ ট্রোফি ২০১৭ : বেঙ্গলনা গোৱাবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৩২রকশুবা ওইনা টাইটল লৌখ্রে

পানাজি, মার্চ ২৬ :

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মনভীর সিংহনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা গোলনা মফম অসিদা চথখিবা ৭১শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর সন্তোশ ট্রোফি ২০১৭ কী ফাইনেল মেচতা গোৱাবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৩২রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

গোৱাগী মায় পাকপগী গোল অদু মিনিট ১২০ (এক্সত্রা টাইম) চৎপা মতমদা মনভীর সিংহনা চনখি। বেঙ্গলনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেলদা গোৱাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ৱিন্নর ওইবসু তরুক্লশুবা ওইখি।

মেচ হেক হৌবগা টিম অনীনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী টাইটল লৌনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্লখিবা সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা এটেম্পশিং তৌনখি। বেঙ্গলসু হনবা লৈতনা চঙশিনখিবা শাফুদা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু চনবা ঙমখিদে। গোৱাসু গোল চন্ননবা কাউন্টর এটেকশিং চঙশিনখ্রবসু গোল এটেম্প



তৌবদা শোয়বদগী চনবা ঙমখিদে।

অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। অনীশুবা হাফতসু টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্পুনা শান্নখি। এক্সত্রা টাইমদা বেঙ্গলগী বসন্তনা গোল চন্নবা এটেম্প তৌখিবদা শোয়বদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদবা মতুং মেচকী মিনিট ১২০ চৎপা মতমদা বেঙ্গলগী প্লেয়র মনভীর সিংহনা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা গোল অমা চনশিনখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

পনবা য়াই, গোৱানা সন্তোশ ট্রোফি চেম্পিয়নশিপ অসি অরোইবা ওইনা কুমজা ১৯৯৬ তা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা বেঙ্গলনা মিজোরামবু সদন দেথতা ৬-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। অদুগা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু গোৱানা কেরলাবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

# রোজর ফেদরর, ষ্টান ৱারিঙ্কানা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, বোপান্নানা মিয়ামি ওপনদগী লৈহৌরে

মিয়ামি, মার্চ ২৬ : রোজর ফেদররনা কুমজা ২০১৭ কী মায় পাকপগী কেম্প্যেন অদু মখা তানা চথখিদুনা মফম অসিদা চথুরিবা মিয়ামি ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা মায়োক্লখিবা লম্বাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ফেদররনা মেচ অদুদা অমেরিকাগী নহা ওইরিবা ফ্রান্সেস টিয়াফোবু ৭-৬ (২), ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্দিয়ন ৱেল্লসতা বি এন পি পারিবাস ওপনগী টাইটল লৌখিবা অদুগী মতুং মেচ অসি মশাগী চহী ৩৫ শুরবা স্বিস মাষ্ট্রোগী খ্বাইদগী ফবা মেচ ওইখি। ফেদররনা টুর লেভেলদা মহাক্কী কেরিয়রগী ১০৯৪ শুবা মায় পাক্লবগী আশা তৌরিবনি।

ৱর্ল্ডগী ১০১শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা টিয়াফোনা মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা মায় পাকখিবা মরিখক্তমক ঙাইরি।

টোপ সীদ ষ্টান ৱারিঙ্কানা অর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবাল্লোসপু মিনিট ৬৫ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। ৱারিঙ্কানা মেচ অদুদা এস তরেৎ কনখি।

ৱারিঙ্কানা হায়খি, মেচ মায় পাকখিবা অসিদা ঐনা তশেংনা নুংঙাইবা পোকই। মফম অসিগী ঈশিং নুংশিংকী ফীভম য়াম্না শাথিখি, অকনবা নোং চুখি অমদি অতৎ-অখম লৈতনা নুংশিং শিংখি। কোর্টতসু লেপ্তুনা নুংশিৎ শিংখিবনা অরাইবা অমদি ওইখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বেলজিয়মগী নিপানশুবা সীদ দেভিদ গোফিননা বার্বাদোসকী মারিয়ন কিংবু ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখি। চেক্কী তরাশুবা সীদ টোমাস বার্দিচনা রসিয়াগী এন্দ্রে রুবলেভপু ৬-৩, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখি।

অমেরিকাগী সাম ক্বেরি, জোন ইস্নর অমদি জর্মনিগী অলেকজেন্দর জভেরেবসু মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখি।

অমরোমদা, রোহন বোপান্না অমদি মহাক্কী পার্টনরশিপ উরুগুৱেগী পাব্লো ক্যুভাসনা দোল্লর ৬,৯৯৩,৪৫০ মিয়ামি ওপন এ টি পি ইভেন্টকী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রিগিওস অমদি মেট্ট রৈদকী মখুৎতা ৭-৫, ৩-৬, ১০-৭ তা মায়থীহৌখি।

সিজন অসিদা বোপান্না অমদি পার্টনরনা ওউসিগী জুরাগী মায়োক্তা মায়থীখিবা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনীরকশুবসু ওইরে। মমাঙদা ফ্রেঞ্চকী মার্সৈল্লেদা শান্নখিবা টুর্ণামেন্ট অদুদা ওউসিগী মায়োক্তা অহানবা ওইনা মায়থীখিবনি।

চেন্নাই ওপনদা মায় পাকখিবা অমদি দুবাইদা পাঙথোকখিবা টুর্ণামেন্টদা ফাইনেল ফাওবা চঙখিবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা অমদি রেঙ্ক ২৩ শুবদা লৈরিবা বোপান্নানা সিজন অসিদা হৌজিক ফাওবদা দবলস মেচ অনীখক্তমক মায় পাক্লি।

# ইন্দিয়াগী নুপী নেসনল টিমনা ফিফা রেঙ্কিংগী টোপ ৫০ গী মনুং চনবা ঙমখিদ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৬ : ইন্দিয়াগী নুপীগী নেসনল টিমনা মখোয়গী মমাঙদা লৈখিবা মফম অদুদগী অনী কুমথরগা হন্দক্তা নৌনা থোকখিবা ফিফা রেঙ্কিংগী ৫৪শুবা মফমদা লৈখ্রে।

ব্লুজ অসিনা হৌজিক অপুনবা পোইন্ট ১৪০৪ দা লৈখ্রে। অদুগা মখোয়না মমাঙদা থোকখিবা রেঙ্কিংদা পোইন্ট ১৪১২ ফংখিবনি। ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা চহী অসিগী জান্যুৱারী ৪ দা সিলিগুরিদা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নখি। হায়রিবা ফ্রেন্দলি মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা বাংলাদেশপু ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। ইন্দিয়ানা রেঙ্কিংদা তাথরকপগী মরু ওইবা মরমদি থা অনীরোমদা মেচ অমত্তা শান্নদনা লাকখিবা অসি ওইরি।

টিম অসিনা মথং থাগী অঙনবা শরুক্তা পয়োংয়াংদা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ফিফা ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়র্সতা শান্নগনি। ক্বালিফাইয়র্স অদুদা ইন্দিয়ানা দি পি আর কোরিয়া, কোরিয়া রিপব্লিক, উজবেকিষ্টান অমদি হোং কোংগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনগনি।

টিমশিং অসিদা হোং কোংনা ৬৫শুবা রেঙ্কতা লৈদুনা খ্বাইদগী নেম্বা টিম ওইরি। দি পি আর কোরিয়ানা ১০শুবা রেঙ্কতা, কোরিয়া রিপব্লিক্না ১৭শুবা অমসুং উজবেকিষ্টান্না ৪২শুবা রেঙ্কতা লৈরি।

# ইন্দিয়া অমসুং চিলিনা ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে

ৱেষ্ট ভানকৌভর, মার্চ ২৬ : ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা মফম অসিদা চথগদৌরিবা মরু ওইবা টুর্ণামেন্ট অমা ওইরিবা ৱিমেন'স হোকি ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী মাঙওইননা শান্নখিবা অহানবা মেচতা চিলিগা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

চিলিনা মেচ অদুদা মতিং থোক্না শান্নখিদুনা মেচকী মিনিট ১৮ চৎপা মতমদা অগষ্টিনা ভেনেগ্যাসনা ফিল্ড গোল অমা চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। চিলিগী গোল অদু চন্দ্রিঙৈ মিনিট অমগী মমাঙদা ইন্দিয়াগী রেনুকা যাদভপু রেফ্রিনা গ্রীন কার্দ পীখি।

ইন্দিয়ানা মায়োক্লখিবা সাইদতা তৌখিবা অকনবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৩৫ চৎপা মতমদা গোল অমা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল অদু অনুপা বার্লানা পেনালটি কোর্নরদা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কনশিনখিদুনা চনখি। গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট অমা লৈরগা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা ভান্দানা কাটারিয়ানা ফিল্ড গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখা তানা রিতু রাণিনা লুচিংবা ইন্দিয়ন টিমনা অকনবা দিফেন্স শান্নদুনা চিলিবু ষ্ট্রাইকিং সার্কলদা লাকশিন্নবা হোৎনখিবদা ফাউল তাখিবদগী চিলিগী মায়কৈদা পেনালটি কোর্নর অমা পীখি। পেনালটি কোর্নর অদু মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা ওগষ্টিনা ভেনেগ্যাসনা নিংথিনা কনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা মেচ অদু ২-২ দা লৈখি। টিম অনীমক্না মখা তানা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদবদগী দ্রো চৎতুনা লোইশিনখি।



ইন্দিয়ানা মখোয়গী মথংগী মেচতা কানাডাগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। ইন্দিয়ানা মখোয়গী ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ টুগী কেম্প্যেন ওইনা এপ্রিল ১ দা মখোয়গী পুল এগী ইনকাউন্টরদা উরুগুৱেগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

# ইন্দিয়া সুপর সেরিজগী ক্বার্টর ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনা লম্বা তৌনরবা য়াই

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২৬ :

মফম অসিগী সিরি ফোর্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মার্চ ২৮ দগী এপ্রিল ২ ফাওবা চথগদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৩২৫,০০০ ইন্দিয়া সুপর সেরিজগী ক্বার্টর ফাইনেলদা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী সিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধু অমদি লন্দন গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱাল অনীনা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরবা য়ানা লৈখ্রে।




সুপর সেরিজ অসিগী দ্রোদা মালেমগী মঙাশুবা মফমদা লৈরিবী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা সিঙ্গাপুরগী জাইয়ু লিয়াংগা লম্বা তৌনগনি অদুগা সেরিজ অসিগী অহুমশুবা সীদ হায়দ্রবাদ মচা অসিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা জপানগী সেনা কৱাকামিগা মায়োক্নরবা য়ারি।

মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা সিন্ধুনা মঙোন্দগী থাক ৱাংনা লৈবা প্লেয়রশিং মায়থীবা পীরম্লবা মতুং গোল্ড মেদল মেচতা স্পেনগী কেরোলিন মারিনগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংখিদুনা ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল ফংবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী শান্নরোয় ওইদুনা পুৱারী শেমখিবনি।

টুর্ণামেন্ট অসিদা তরুকশুবা সীদতা লৈরিবী সাইনা নেহৱালনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা চাইনিজ টাইপৈগী চি সিন লিগা মায়োক্নদুনা শান্নরবা মতুং চহী অসিগী জান্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা মালেসিয়া মাষ্টর্স ফাইনেলদা মায়থীবা পীখিবা থাইলেন্দগী পের্নপাৱি চেচুৱোংগা শান্নরবা য়াই।

সাইনা নেহৱাল অমদি পি ভি সিন্ধুনা ইন্টরনেসনল কম্পিটিসনদা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অসি কুমজা ২০১৪ গী সয়ীদ মোদি ইন্টরনেসনলখক্তদা ওইরি। মদুদা সাইনানা মঙোন্দগী হেন্না চহী নৌরিবী সিন্ধুবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবনি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসতা রিটুপর্ণা দাসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী চিয়াং মৈ হুইগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি অদুগা টানভি লাদনা তরেৎশুবা সীদ জপানগী নোজোমি ওকুহারাগা শান্নগনি। শ্রী কৃষ্ণ প্রিয়া কুদরাভাল্লিনা অনীশুবা সীদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি য়ুনগা অহানবা রাউন্দদা শান্নগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা কিদম্বী শ্রীকান্ট অমদি বি সাই প্রনীথনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফাইয়রশিংগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি অদুগা সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রি গোল্ডগী চেম্পিয়ন সমীর ভর্মানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা মরিশুবা সীদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোগা শান্নগনি। অজয় জয়ারামনা অহুমশুবা সীদ অমদি রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট দেনমার্ককী ভিক্টর অক্সেলসেনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। ঐচ এস প্রন্নোয়না মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী জুলফাদলি জুলকিফ্লিগা লম্বা তৌনগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলস প্লেয়র মানু আত্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা জপানগী টাকুরোহোকি অমদি য়ুগো কোবায়াশিগা অমসুং তরেৎশুবা সীদ প্রনাভ জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দিনা ইন্দোনেসিয়াগী অপুনবা লম্বা হাফিজ ফাইজাল অমদি শেলা দেভি ঔলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।